হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, জুলাই ২১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১১৬শুবা মশীং


## নোংজুথাদি হঙোইগী মতমনি

### খঙদবনা হায়বনি মৈতৈ কবি লাকখিনি

মীতৈগী কুমশিং-থাশিংগী মনুংদা ইঙা-ইঙেনসি নোংজুথানি। ৱাফমসি ঙসি-ঙরাংখক্তদা হেক্তা চোংথোরকপা নত্তে। মীহৌরোলদগী লৈরক্লবনি, শাগোন্নরক্লবনি। হৌজিক ইঙা থা লোইশিনখ্রবসু নোংজুথাসিগী মপূং ওইবা শরুক অমা ওইরিবা ইঙেন থাগী থায়াই চনশিল্লকপদা ঙাইরি। অদুনা নোংজুথাসিগী হৌনবা খোংবান লুক্লাংদা, পুখ্রি মপান্দা, পাথি-কোমথিদা হঙোইশিংনা মথি ফোংলকপা, খোংনরকপা, চোংথোক-চোংশিন তৌরকপা হায়বসিদি মহৌশানি। কুমজা থাজৎকি মচৎনি। অনৌবা নত্তে, ঙক্লিংঙাই ওইদে। মণিপুরগী পোলিটিক্সতসু অদু মঙাই। হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিসিগী মীখল মার্চ, ২০১৭তা পাঙথোক্লগা থাদুগী ১৯দা এসেমব্লিদা প্রোটেম স্পিকরনা ইলেক্টেদশিংবু হাউসকী মেম্বরশিং ওইনা ৱাশক লৌহনখিবদগী পারগদি মার্চ ১৯, ২০২২দা ১১শুবা এসেমব্লিসিগী মপুন্সি লোইরগদবনি। মরম অদুনা মার্চ ১৯, ২০২২গী মমাঙদা অনৌবা ১২শুবা এসেমব্লি অমমুক লিংনবগী থবক থৌরমশিং - ইলেক্সনগী নোটিফিকেসন থোকপা, মীরেপ চে লৌশিনবা, স্ক্রুটিনি তৌবা, ৱিথদ্রোৱল তৌনীংবশিং তৌনখ্রবা মতুংদা মীখল পাঙথোকপা, মসিগী রিজল্ট লাউথোকপনচিংবগী থবক পূম্নমক মপূং ফানা লোইশিনহৌগদৌরিবনি। মসিগীদমক পাঙথোক্লগদবা ইলেক্সন অসিগী মপূং ওইবা থৌবু ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। ঈ সী আইনা পীরকপা ইন্সত্রক্সনশিংদগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসননসু মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোরকপা হৌরে। থৌরাংশিং অসি মথংগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লকপদগী তঙাইফদনা শেম-শানরক্লিবা থবক ঙাক্তনি। অদুগা মসিনা মরম ওইদুনা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিং য়াওনা পোলিটিকেল পার্টিনি হায়বা পূম্নমক্তা তোকথোক্লরকপা, চোংশিন্নরকপা, অনৌবা পার্টি খূৎপু শাফোংনরকপা, পার্টি অমগা অমগগী মরক্তা মীচং ওইনরকপা, এল্লাইয়েন্স, ফ্রন্ট শেম্নরকপা, পার্টি মশেলগী মরক্তা সিট স্যেয়রিং তৌনরকপনচিংবা পোলিটিকেলগী ওইবা অদুসু মীখল ময়া নকশিল্লকপগী ওইবা অনৌবা থৌদোকশিং থোরকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মণিপুরগী পোলিটিকেলগী পুৱারীদা অনৌবা মথেল অমমুক নত্তে। অদুঙৈ জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দা ষ্টেটসিনা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল ১১ লক পাঙথোক্তুনা লাক্লিবসিগী মনুংদা অদুম্মক থোক্তুনা লাক্লবনি। মতুংদসু থোরকখিনি। মণিপুরনা লৈবাকসিগী ষ্টেট অমা ওইরিবমখৈ অদুগা লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোননা দেম্মক্রেসি ওইরিবা ফাওবদি অদুম্মক থোরক্কদবসু মাল্লি।

ফীভমসিদি শক্লাইরবা কোলেজগী ওজা অমা ওইরম্বগী মথক্তা মণিপুরগী শীংথানরিবা দ্রামাটিষ্ট অমসু ওইরমখিবা গিটচন্দ্র তোংব্রম (জি সী তোংব্রা) না হায়রমখিবা 'পুন্সিদা তাৎ মচা-মচাগী চন্নফম' হায়বদুগী পরিংদা মশাগী খুদোংচাববু ফংলবদি মহাক্লা মহাক্কী মীয়ামনি হায়জবা মীওইশিংবুসু নুংঙাইহনগনি খনবনা ইকায়-ইকি পূম্নমক কুপশিনখ্রবা পোলিটিক্সিয়ন অয়াম্বনা থাংনরক্কদবা খোঙথাংনি। মসিগুম্লবা ঙাইহাক লৈতনা ফিজোল, ফিরাল, পার্টি হোংবগী অকনবা চৎনবী অমা লৈবাকসিগী দেম্মক্রেসিগী ফজরবা মায়থোঙদা অঙৌবা পকপদৌনা পাকথোক চাউথোরকপদগী লৈখিদ্রবা রজিভ গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা 'এন্টি-দিফেক্সন লো' শেমদুনা এক্ট ওন্দুনা ফাওবা চৎনহল্লকখি। এক্টসি হৌজিক ফাওবা চৎনরি। এক্ট অসি লৈনা-লৈনা মাগী-মাগী পার্টিশিংদগী দিফেক্ট তৌনরক্তুনা ফন-ফা, ফন-ফা চোংথোক-চোংশিন তৌনরকপগী থৌদোক ঐখোয়শ্বাইদসু থোকখিবা কুইদ্রি। এন্টি-দিফেক্সন লোগী লাংদা থুবদগী লেংবা ওৎপা ঙমদনা লোংনা তাখিবা খরসু য়াওরি। অদুবু এক্টসিগী ৱাংলবা চেকপল নৎত্রগা খুরবা লাংবু লান্থোক্তুনা নৎত্রগা লিৎথোক্তুনা চোংনবা হোৎনরকপা হায়বসিদি লৈবাক অপূম্বগী মরু ওইনা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী মচৎনি। মালেমদা লৈরিবা খ্বাইদগী কনবা পৱরশিংনা ফাওবা থিংবা ঙম্লরোইদবা, কোকহনবা য়াররোইদবা পোলিটিক্সকী শাথীরবা লায়নানি। লৈবাক মীয়ামগী মায়কৈদগীসু লাইচৎসিগী মায়োক্তা পাম্বে অমত্তা লৈরোই। খঙদবনা হায়বনি মৈতৈ কবি লাকখিনি। ইচা ফত্তবা চাওবা ঙাইবা, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা হায়বদুনি। পাম্বে লৈতে। মকুম মথা য়ৌরকপদগী খোংলকপা হঙোইগী মচিন কনানা মেল্লুনি। অশাংবা মখোঙ কনানা ফারুনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২

১) কুমজা ১৯৫৪দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা ***'জাৎ ওনবা'*** হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) ***"থমজরম্লে থৱায়গী থৱায়/পামজবদা পীথোক্লম্লে/শেমজরম্লে তুরেলগী কাওশীং/ঈচেলনুংদা শিন্নরম্লে।/অসি য়ৌনা লাইবকথীরবী/তোর্বান ৱাংমা য়ৌজরগে।"*** ঈশৈ শৈরেং মতেকসি কনানা ইবনো অমদি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৩) গ্যানপিথ এৱার্দ ফংলবা গুরদিয়াল সিংহগী ***"মারহি দা দীভা"*** হায়বা লাইরিকসি মীতৈলোন্দা করি হায়না থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"চীংথঙখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা"*** হায়বসি কনানা লেংবনো?

৫) কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা ইন্টরমেদিএট আর্টসতা তম্নবা অহানবা মণিপুরী শৈরেংগী টেক্স বুক ওইখিবদু করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## নানোপার্টিকলশিং শীজিন্নদুনা কেন্সর সেলশিংবু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়গী লৈফম্বু চপ চানা পুথোকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

হৌজিক কেন্সর মশক খঙদোক্নবগী মপূং ওইনা শীজিন্নরিবা টেষ্টশিং - মামোগ্রাফি, কোলোনোস্কোপি অমসুং সী টি স্কেনশিংসি ইমেজিংদা য়ূম্ফম ওইবনি। ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা থিজিন-লূপশিংনা অখন্নবা কেন্সরগা মরী লৈনবা, ঈ নৎত্রগা হক্কী ঈশিংদা চেল্লিবা মোলিক্যুলশিংবু মশক খঙদোকপা ঙম্বা মোলিক্যুলর দাইগ্নোষ্টিকশিং শেমগৎপা ঙমখ্রে। মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) গী এঞ্জিনিয়রশিংনা হৌজিক মথক্তা পনখ্রিবা ইমেজিং অমসুং মোলিক্যুলর দাইগ্নোষ্টিক অনীমক শীজিন্নবা দাইগ্নোষ্টিক নানোপার্টিকল পুথোকপা ঙম্লে হায়না 'নেচর মেটরিএলস' (জুলাই ১৫, ২০২১) তা ফোঙদোরক্লি। মখোয়গী পাম্বে অসিনা য়ুরিন টেষ্টকী মতেংনা কেন্সরস প্রোটিনশিংবু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা, ট্যুমরগী লৈফমসু তাকপা ঙম্মী। পাম্বে অসিনা হকচাংগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা কেন্সরবু মশক খঙহনবা ঙমহল্লি হায়না পাউদমদুনা মখা তানা হায়রি।

ৱোদ সেন্সর অসিনা প্রাইমারি ট্যুমরশিং অমসুং মখোয়গী মেটাষ্টেসিসশিং (অতোপ্পা ওর্গানশিংদা শন্দোরক্লিবা) বুসু পুথোকপা ঙম্মী। মসিনা য়ুরিনরি সিগ্নেলবু মথৌ তৌহল্লগা ট্যুমরশিংদু করম-করম্বা মফমশিংদা লৈবগে হায়বদু পুথোকই হায়না প্রোফেসর ওফ হেল্থ সাইন্সেস এন্দ টেক্নোলোজি এন্দ ইলেক্ট্রিকেল এঞ্জিনিয়রিং এন্দ কম্প্যুটর সাইন্স, সঙ্গিতা ভতিয়ানা হায়রি। থিজিনখিবা অসিদা সঙ্গিতা অমসুং মাগী খোঙলোইশিংনা, দাইগ্নোষ্টিক অসিনা থবোম্বী অমসুং ফিরাক্তা মেতাষ্টেটিক ট্যুমরনা শন্দোরকপা য়াওনা, কোলোন কেন্সরনা খুমাং চাওশিল্লকপবুসু মোনিটর তৌবা ঙম্মী হায়বদুসু উৎলম্মী। মতুং তারকপদা, চাং নাইনা কেন্সর টেষ্ট তৌনবগী পাম্বে শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি।







হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী, ভতিয়ানা হক্কী ঈশিংদা লায়না খঙবা ঙম্বা খূৎশেমগী বাইওমার্কর শেমগৎলগা কেন্সর দাইগ্নোষ্টিকপু শেমগৎলকখিবনি। অয়াম্বা কেন্সর সেলশিংনা প্রোটিজ হায়না খঙনবা এঞ্জাইমশিংবু এক্সপ্রেস তৌই। মখোয়না এক্সত্রাসেলুলর মেত্রিক্সকী প্রোটিনশিংবু ককথৎলগা মখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখিবা ঙম্মী। ভতিয়াগী কেন্সর-দিটেক্টিং নানোপার্টিকলশিংসি প্রোটিজশিং অসিনা থুগাইবা ঙম্বা পেপ্তাইদশিংনা য়োমশিল্লি। পার্টিকলশিং অসিনা ট্যুমর অমা থেংনবা মতমদা পেপ্তাইদশিংদু কাইথরকই অদুগা হক্কী ঈশিংদা থাদোরকই, অদুগা মদুবু ইরায় লায়না মশক খঙদোকপা ঙম্মী। থবোম্বীগী কেন্সরগী শাশিংগী মোদেলশিংদা, বাইওমার্করশিং অসিনা ট্যুমরনা নারকপদুবু ঙল্লিঙৈ মতমদা খঙদোকপা ঙমখি; অদুম ওইনমক মখোয়না ট্যুমর নারিবা মফমদু চপ চানা তাকপদি ঙমদে নৎত্রগা ট্যুমরদুনা অতোপ্পা কয়াৎশিংদা শন্দোকখ্রব্রা হায়বদুসু তাকপা ঙমদে।

মখোয়না হান্না পুথোকখ্রবা দাইগ্নোষ্টিক অদুবু মখা তানা শেমদোক্লগা, থিজিন-লূপ অসিনা মোলিক্যুলর স্ক্রিনিং (য়ুরিনরি সিগ্নেল খঙবা ঙম্বা) অমসুং ইমেজিং অনীমক পাঙথোকপা ঙম্বা "মলটিমোদেল" দাইগেনাষ্টিক অমা শেমগৎপা পাল্লকখি। মোলিক্যুলর স্ক্রিনিংনা কেন্সরগী অনাবা লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদু তাকই, অদুগা ইমেজিংনা ট্যুমরগী হৌরকফম অমসুং মেটাষ্টেসিসশিংনা করম-করম্বা মফমদা লৈবগে হায়বদু তাকই। পাম্বেসিদা পোজিত্রোন ইমিসন টোমোগ্রাফি (পি ঈ টি) ইমেজিং শীজিন্নবগীদমক অমসুং নানোপার্টিকলশিংদু শেমদোক্লবগীদমক্তা থিজিন লূপ অসিনা কোপ্পর - ৬৪ কৌবা রেদিওএক্টিভ ত্রেসর অমা হাপচিল্লি। মখোয়সিবুসু এসিদিক ইনভাইরনমেন্ট, খুদম ওইনা ট্যুমরগী মাইক্রোইনভাইরন-মেন্টদা চিংশিনবা ঙম্বা পেপ্তাইদ অমনা য়োমশিল্লি। মসিনা পার্টিকলশিংদু ট্যুমরগী লৈফমশিংদা তুংশিনহল্লি। মখোয়না ট্যুমরবু হেক য়ৌখ্রবদি, পেপ্তাইদশিং অসিনা সেল মেম্ব্রেনগী মনুংদা চঙশিনখি অদুগা বেকগ্রাউন্দ নোইসকী মথক্তা অকনবা ইমেজিং সিগ্নেল অমা পুথোকই।

থিজিন-লূপ অসিনা মেটাষ্টেটিক কোলোন কেন্সর লৈরবা উচিগী মোদেল অনীদা দাইগ্নোষ্টিক পার্টিকলশিংসিবু চাং য়েংখি। মখোয়গী চাংয়েংগী উচিশিংদুদা ট্যুমর সেলশিংদুনা ফিরাক নৎত্রগা থবোম্বীদা শন্দোকখিদুনা মফমদুদা ট্যুমর ওইহল্লকখি। কোলোন কেন্সরবু লায়েংবদা তোয়না শীজিন্নবা কেমোথেরাপি দ্রগ অমনা লায়েংলবা মতুংদা থিজিন-লূপ অসিনা ট্যুমরশিংদুনা লায়েংদুনা করম্না পাউখুম পীরকপগে হায়বদু য়েংশিন্নবগীদমক য়ুরিন সিগ্নেল অমসুং ইমেজিং এজেন্ট অনীমক শীজিন্নবা ঙমখি।

মখোয়গী নানোপার্টিকলশিংগা লোয়ননা কোপ্পর - ৬৪ পীনবা পি ঈ টি ইমেজিংগীদমক শীজিন্নবা লাল্লোং অদুদগী হেন্না খুদোংচাবসু থিজিন-লূপ অসিনা থেংনরম্মী। এফ দি জি হায়না খঙনবা পি ঈ টি ত্রেসর অসি কেন্সর সেলশিংগুম্বা মেটাবোলিক্কী ওইনা এক্টিভ ওইরিবা সেলশিংনা লৌশিনবা গ্লুকোজগী রেদিওএক্টিভ ওইবা মওং অমনি। অদুম ওইনমক, এফ দি জি থেংনবা মতমদা থম্মোয়না অকনবা পি ঈ টি সিগ্নেল অমা থাদোরকই, অদুগা সিগ্নেল অসিনা অনকপদা লৈবা থবোম্বীগী ট্যুমরদগী থাদোরকপা অশোনবা সিগ্নেলবু কুপশিন্দুনা থম্মী। অদুবু এসিদ-সেন্সিটিভ নানোপার্টিকলশিং শীজিন্নদুনা কোপ্পর - ৬৪বু ট্যুমর লৈরিবা মফমশিংদা তুংশিনহনবা অসিনা থবোম্বীগী ট্যুমরগী য়াম্না হেন্না ময়েক শেংবা মমি অমা ফংহনবসু থিজিন-লূপ অসিনা থেংনরম্মী।

মীওইবগী অনাবশিংদা, মরু ওইনা কোলোন কেন্সরদা মসিবু শীজিন্নবা য়াহল্লবদি, অসিগুম্বা মখলগী দাইগ্নোষ্টিক অসিবু অনাবশিংদুনা লায়েংদুদা কয়ামুক ফজনা পাউখুম পীরকপা অমসুং ট্যুমরদু অমুক হন্না হৌরক্লিবা (মেটাষ্টেসিস) হায়বদু মতম কুইনা য়েংশিনবসু ঙমহনগনি হায়না ভতিয়ানা থাজবা থল্লি। মহাক্লা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, অসিগুম্বা অনাবশিংগী হক্কী ঈশিংদু থা তরুক খুদিংগী য়েংশিনহনবসু য়াই। য়ুরিন টেষ্ট অদুনা পোজিটিভ ওইরবদি, ইমেজিং ষ্টদিগীদমক রেদিওএক্টিভকী থৌওংদু পাঙথোক্লগা ট্যুমরদু করম্বা মফমদা শন্দোকখিবগে হায়বদু পুথোকপা ঙমহনগনি। অসুম্না থিজিনবগী থবকসি মখা তানা চংশিল্লবা মতুংদা কেন্সর মখল অমা হেক্তবু চাং নাইনা দাইগ্নোজ তৌবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়নসু মহাক্লা থাজবা থল্লি।

হৌজিক্কী মতমদা শীজিন্নরিবা কেন্সর দাইগ্নোষ্টিকশিংসি শেল য়াম্না চঙই, অদুনা লায়রবা মীশিংদা অৱাবা অমা ওইহল্লি। অদুবু হক্কী ঈশিং টেষ্ট তৌবা অসিদি চহী খুদিংগী পাঙথোকপদা অৱাবা অমা ওইহল্লোই। করিগুম্বা টেষ্ট অদুদা নেগেটিভ ওইরম্লবদি মখা তানা শেল চঙবা ইমেজিংগী পাম্বেশিং শীজিন্নরুবগী মথৌ তাদ্রে। টেষ্ট অদুনা পোজিটিভ ওইরম্লবা মতমখক্তদা, ইমেজিং শীজিন্নরগা সিগ্নেল অদু কদাইদগী লাক্লিবনো হায়বদু পুথোকপা য়াই। মখোয়গী দাইগ্নোষ্টিক পার্টিকলশিংসি Glympse Bio হায়রিবা কম্পেনি অসিনা অহানবা ক্লিনিকেল ত্রাইএল পাঙথোকখ্রে, অদুগা পাম্বেসি অনাবশিংদা শাফবা অমসু ওই হায়বসি থেংনখ্রবনি হায়না পাউদম অদুনা মখা তানা হায়রি। ●

## ১৪শুবা ওলিম্পিক গেমস, লন্দন ১৯৪৮

\- লৈশাংথেম অজিৎ -

ইরোয়বগী থৌরম ৱেমব্লিদা পাঙথোক্লম্মী, ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ নিপাল ইরোয়বদা থুগায়রম্মী, থৌরম অমদদি হান্নগী রেকোর্দকা চপ মান্নরম্মী। মিটর ২০০গী নুপাগী ব্রেষ্ট-ষ্ট্রোক্তা তরেৎশুবা ফাওবা তাখিবা শান্নরোয় খুদিংমক বত্তরফ্লাইট ওইনা লোইরম্মী। মসিদা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা য়ু এস এগী জোশেফ-ভরদ্যারনা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ অমা থমদুনা সনাগী মেদল লৌখি। অহুমশুবা তাখিবা অমেরিকাগী রোবার্ট-সোহলদগী মরিশুবদা লাকখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন-দেভিশনা সেকেন্দ ০০.২ হেন্না য়াঙনা লমথুংফম য়ৌরম্মী অদুবু জজশিংনা রোবর্ট-সোহলদা অহুমশুবা মনা পীখি। মসি ওলিম্পিক্কী অমকপা শরুকশিংগী মনুংদা অমনি। নুপীগী মিটর ২০০গী ব্রেষ্ট-ষ্ট্রোক্তসু অসুম্না থোকখি। মিটর ২০০ x ৪গী ফ্রীষ্টাইল রিলেদা য়ু এস এগী টিমনা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইদুনা অহানবা মনা লৌখি। টিম অসিদা মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা মকোক ওইখিবা ৱালটর-রীশ, মিটর ৪০০গী ফ্রীষ্টাইলদা সনাগী মেদল লৌখিবা ৱিলিয়ম-স্মিট, মিটর ১৫০০গী চেম্পিয়ন জোন-মেকলেন অমসুং ৱাল্লেস-উলফ য়াওরম্মী। হঙ্গেরি অমসুং ফ্রান্সকী টিমনা মথংশিৎনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা ফংখি। য়ু এস এগী টিমনা লমশাং অদু ইরোয়বদা চঙখিবা মতমদি মিনট ৮, সেকেন্দ ৪৬নি। নুপাগী ইরোয়বগী থৌরম তরুকমক য়ু এস এনা মায় পাকখি।

ৱাটর পোলোদা ইটালিনা মকোক ওইখি। মথংদা হঙ্গেরি অমসুং হোলেন্দনা মথংশিৎনা অনীশুবা অমদি অহুশুবা মনা ফংলম্মী। নুপীগী ইরোয়বা তান্নবদা দেনমার্ককী লৈশাবীশিংগা অমেরিকাগী লৈশাবীশিংগা অকনবা লম্বা তৌনরম্মী। দেনমার্ককী গ্রেতা-এন্দরসন্না মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা য়ু এস এগী এন কর্টিশপু সেকেন্দ ০০.২দা মায়থীবা পীরম্মী। গ্রেতা এন্দরসন ইংলিস চেনেল তরুক্লক লানখিবী নুপীনি, কুমজা ১৯৬৪দা মশাগী চহী ৩৬তা ইংলিস চেনেল লানবগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি।

অতোপ্পা দেনমার্ককী কেরান-মরগারেট-হেরূপ কৌবী অমনা মিটর ১০০গী বেকষ্ট্রোক্তা মকোক ওইখি। থৌরম অসিদা ফ্রান্সকী মোনিক-বরলিওস সেমিফাইনেলদা লৈহৌরম্মী, মহাক শক্লাইবী পাউচে ইবী অমা ওইনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী দিরেক্টর ওইখি। মহাক্লা মমিং চৎপা লাইরিক 'ওলিম্পিকা' ইখি।

অমেরিকাগী মৌনহা, মপানা ফিলিপিনো মমানা ইংলিস নিংঙোল ওইবী ভিক্টোরিয়া-দ্রেভ কৌবী অমনা প্লেটফোর্ম-দাইভিং অমসুং স্প্রিংবোর্দ-দাইভিংদা সনাগী মেদল ফংখি। ওলিম্পিক অমখক্তদা নুপী অমনা থৌরম অনী অসিদা মকোক ওইবা ঙম্বা অসি মহাক্লা অহানবনি। স্প্রিংবোর্দ-দাইভিংদা জোন-এন-ওলসেন অমসুং পেত্রিসিয়া ইলশেনরানা লুপাগী অমসুং শেঞ্জেংগী মেদল ফংদুনা হীরম অসিদা অমেরিকা মচাশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা লৌখি।

নুপাগী স্প্রিংবোর্দকী থৌরমদসু য়ু এস এগী ব্রুশ-হরলানানা সনাগী মেদল ফংখি অমদি অমেরিকাগী নুপাশিংনসু থৌরম অসিদা অহানবগী মনা অহুম্লক ফংখি। প্লেটফোর্ম-দাইভিংদা মকোক ওইখিবা সেমুয়েল-লী কোরিয়াদগী অমেরিকাদা হোংলকপা আর্মি দাক্তরনি। থৌরম অসিদা ব্রুশ-হরলাস লুপাগী মেদল ফংখি।

বোক্সিংগী কেটেগোরি নিপাল লৈরম্মী। মসিগী মনুংদা অর্জেন্টিনা, হঙ্গেরি অমসুং খা অফ্রিকানা সনাগী মেদল অনী-অনী ফংলম্মী। ইটালি অমসুং জেকোসলোভাকিয়ানা অমমম ফংলম্মী। খা অফ্রিকাগী জর্জ-হন্টরবু লৈবাক ৩৯দগী লাকপা নহারোল ২০৬কী মনুংদা খ্বাইদগী অফবা বোক্সর ওইনা খন্দুনা ভাল বার্কর ট্রোফি পীখি।

চহী ২১শুরবা অর্জেন্টিনাগী পাশসুএল-পেরেজনা ফ্লাই-ৱেটকী চেম্পিয়ন ওইখি। মহাক অর্জেন্টিনাগী কোনুং বুইনোস এরিজদা চেম্বর ওফ দেপ্যুটিজগী ক্লার্ক ওইনা থবক তৌরম্মী। পাশসুএল পেরেজগা মরৈবাক মচা অর্নোল্ড পেরেসকা মমিং হায়রপ মান্নবদগী মহাকপু লুম্বা হেল্লে হায়দুনা অশিল-অরাংশিংনা য়াওবা য়াদে হায়না অহানবদা থিংলম্মী। অমরোমদা অর্নোল্ড পেরেসকী অরূম্বা ওনবা মতমদা মহাক্লা শরুক য়াগদবা বেন্তাম-ৱেটকী দরকার ওইবা কিলোগ্রাম ৫৪দগী হেন্না লূল্লম্মী। মরম অসিনা মহাক্কী মরুপশিংনা অরূম্বা খরা হন্থনবা মশম ককথৎলম্মী, মশা অদু গমশানা তৈথোক্লম্মী, খোঙয়াদা পকপা উফুল ফাওবা কন্থোক্তুনা হোৎনবদা পাম্বে লৈরমদে। পেরেশনা মহাক্কী হোৎনরিবা পূম্নমক অরেম্বা তাবদগী অর্জেন্টিনা মচাশিংনা ৱাকৎলম্মী। মমৈথংদা অহে-অশিং কৌদুনা য়েংবদা অরূম্বা ওন্নবা খূৎলায় অদু য়েংবদা অশোয়বা লৈরে হায়বা খঙখি।

অর্নোল্ড পেরেস ওষ্ট্রেলিয়াগী জেমস কাকথরসগী মখূৎতা মায়থীরম্মী, হঙ্গেরিগী Tibor Csiki না বেন্টম-ৱেটকী চেম্পিয়ন ওইখি। মিদল-ৱেটকী চেম্পিয়ন ওইখিবা Laszlo Papp সু হঙ্গেরি মচানি, মহাক ওলিম্পিক্কী বোক্সিং চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইবা মালেমদা অহানবা নুপানি। কুমজা ১৯৪৮দা মিদল-ৱেটকী অরূম্বা অসি কিলোগ্রাম ৭৩ ওইরম্মী, মথংগী ওলিম্পিক্তা লাইট-মিদল-ৱেট হায়দুনা কিলোগ্রাম ৭১ লূম্বা কাঙলূপকী ৱেট-কেটেগোরি অমা হাচিল্লক্লম্মী। অনৌবা কেটেগোরি অসিদা Laszlo Papp না কুমজা ১৯৫২ অমসুং ১৯৫৬কী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরম্মী। কম্যুনিষ্ট লৈবাক অমদগী প্রোফেসনেলদা খোঙদাবগী অয়াবা ফংবা অহানবা বোক্সিং থিন্নবা নুপানি। মহাক্লা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন ওইরবা মতুংদা হঙ্গেরি লৈঙাক্লা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াহনখিদে। মহাক ১৯৬৫দা পোত্থাখি অমদি হঙ্গেরি ওলিম্পিক টিমগী হেদ-কোচ ওইখি।

ফিদরৱেটকী অনীশুবা রাউন্দদা অমেরিকাগী এদৱার্দ-জেনসন্না উরুগ্বেগী বাশিলিও অলভেশপু মায়থীবা পীবদা জজশিংগী ৱারেপ য়ানীংদ্রদুনা ভাবকশিংনা মিনট ১৫ রোম লাউশিনখি, মসিদগী অলভেশপু লেংজুমদা থাঙ্গৎতুনা জরি-ওফ-আপিলগী টেবলদা মীয়াম্না লান্দারম্মী। থৌদোক অসিগুম্বা অমা অমুক হন্না অর্জেন্টিনাগী ন্যুনেজ অমসুং খা অফ্রিকাগী সেফর্দকী মরক্তা থোক্লম্মী। খা অফ্রিকাগী বোক্সর অসিনা ন্যুনেজবু মায়থীবা পীবদা জজশিংনা মীচং মীখাই নাই হায়দুনা ন্যুনেজ রিংদগী মপান থোকউ য়াখিদে, মহাকপু লেংজুমদা পুদুনা জরি-ওফ-আপিলগী টেবলদা চৎলম্মী, জরিগী মেম্বর ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী সেনোর-ওরিঅনিনা মখোয়বু খামখি।

ইক্বেষ্টরিয়ান-শগোল থৌবগী থৌরমদা মেক্সিকোগী জেনরেল হম্বেরতোন-মারিলেশ-কোর্টেশনা ইন্দিভিজুয়েল জম্পিংদা মকোক ওইদুনা ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংবা অহানবা মেক্সিকো মচা ওইদুনা লৈবাক মীয়াম্না খ্বাইদগী শক খঙবা মমিং চৎপা নুপা ওইরম্মী। মেক্সিকোনা জম্পিংগী টিম থৌরমদসু সনাগী মেদল লৌরম্মী। কুমজা ১৯৬৪গী ওগষ্ট ১৪গী নুমিদাংদা মহাকপু ইকায়খুম্নবা ওইনা পীবা চাক্লৌবা অমা চৎলুবদগী হল্লকপদা মহাক্কী কার অদু অতোপ্পা কার অমনা নমদুনা থেঙ্গাইগে তৌবদগী শোরোক মখাদা থৌদখি। মদুদা মহাক্লা শাউদুনা কার থৌরিবা নুপা অদুদা নোংমৈনা কাপ্লুবগীদমক জেলদা থল্লুবদগী মেক্সিকোগী প্রসিদেন্টনা মহাকপু ঙাকপীদুনা জেলদগী থাদোকখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।